HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাও

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)





আই দি পি অমসুং কোকোমিনা মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না আই দি পিশিংবু করম্বা মতমদা মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনগদগে হায়বগী পাউখুম পীয়ু হায়দুনা লোক ভবন তম্না থোমজিল্লকপদা শরুক য়াখিবীশিং


লৌশিং পূক্কে : য়ু থকপগী হৈনবী থাদোক্কে... লামায় ২
লামায় ৪ শ্রীশ্রীগোবিন্দজি নীংজবা, খুরুম্বদা পোলিটিক্স!
শাদেৱা মীদেৱা লাইৱা তীনৱাগী থাজনবী-নোক্লীংবা... লামায় ৫
লামায় ৬ নেশনল ৱার্কশোপ পাঙথোক্লিবসিগী কান্নবা...
এম এস এফনা নম্বোলদা মহৈরোয়শিংগী তম্নবা লাইরিক... লামায় ৭
লামায় ১০ এম এন সী এ সুপর প্লেট ট্রোফিঃ রুল মৈত্রম...


বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশন, মণিপুরনা অঙাংশিংনা তম্নবা টেক্সবুক নম্বদা সব-ষ্টেন্দর্দ ওইবা চে শীজিন্নরে হায়দুনা দেসামনা চে অসিবু সপ্লাই তৌরকপা ফার্ম ব্লেক লিষ্ট তৌনবা অমসুং চেন্নবশিং চৈরাক পীয়ু হায়দুনা বোসেমদা থোমজিনখিবা





Vol. 49, Issue No. 276 | লৈবাকপোকপা, ৱাকচীংগী ২৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, January 13, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# ফজৈনে : আই দি পি খরা ফাওবা ময়ূমদা হঞ্জিলহনখ্রবা বিষ্ণুপুরগী দি সীগী ওফিসনা রিলিফ কেম্পতা লৈবা অঙাংশিংগী মশীং খঙলমদ্রে

**বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা রিলিফ কেম্প ৪৪দা অঙাং কয়া লৈবগে হায়বা খঙলমদ্রবসু কেম্পশিং অসিদা ঙরাং জন্যুৱারী ১২, ২০২৬ ফাওবদা আই দি পি ১২,৩৮৮ চঙজফম লৌহল্লি**

হুইয়েন ব্যুরো



বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিস (ফাইল ফোটো)

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :** রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌহল্লক্লিবা আই দি পিশিংবু মশা-মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহল্লু হায়দুনা আই দি পিশিং খক্তা নত্তনা কোকোমি অমসুং মীয়াম্না অকনবা প্রেসর পীরকপদগী শীংথানীংঙাই ওইবা থবক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর মশামক্না অঙৌবা ফিরাল পায়দুনা লৈত্রাম অমসুং ৱারোইচীংগী ইমুং ৬৪গী আই দি পি ২৫৭ হোংজিলহনখিবা য়াওনা মসিগী মমাঙদসু আই দি পি খরা হঞ্জিলহনবদা নত্তনা লৈত্রাম অমসুং ৱারোইচীংগী মতুংদসু আই দি পি খরা ফাওবা হোংজিলহন্দুনা হৌজিক ফাওবদা খ্বাইদগী আই দি পি মশীং য়াম্না হোংজিলহনবা ঙম্বা দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিসতদি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা রিলিফ কেম্পশিংদা অঙাং মশীং কয়া লৈরিবগে হায়বা চপ চানা খঙলমদ্রে।

মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লান অসিগী অহানবা লানফমশিং ওইরিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিং কোনশিল্লিবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশনদগী আই দি পিশিংগা মরী লৈনবা চপ চাবা রিপোর্টশিং লৌননবা পাউচে অসিগী মায়কৈদগী হোৎনরুবদা আই দি পি অঙাংশিংগী চপ চাবা মশীংদি খঙদ্রে হায়রক্লে।

ৱারোইশিন পুরক্লিবা লান অসিগী খম থেংবা চৈথেং মায়োক্নরবা আই দি পিশিংবু চঙজফম পীরক্লিবা রিলিফ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ষ্টেট ইনফোর্মেশন কম্মিস্নরগী এপোইন্টমেন্টগী মতাংদা আর টি আইগী ৱাহংগী পাউখুম

# মণিপুর এসেমব্লি সস্পেন্সনদা লৈবনা 'ফুল সিলেক্সন কম্মিটি' শেমখিদে এদভোকেট জেনরেলগী এদভাইস মতুংইন্না 'গভর্ণর-ইন-কাউন্সিল' দা থমখিবনি

MANIPUR INFORMATION COMMISSION

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস লোয়শঙগী কম্মিস্নর ওইরম্বা মীওই অমবু নবেম্বর ১৪, ২০২৫দা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস (এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস দিভিজন) গী মায়কৈদগী এদিশনেল সেক্রেটরি (এ আর) না থোকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না রাইট টু ইনফোর্মেশন এক্ট, ২০০৫গী সব-সেক্সন ১৬(১) অমসুং রাইট টু ইনফোর্মেশন রুলস, ২০১৯গী সেক্সন ১২গী মখাদা ষ্টেট ইনফোর্মেশন কম্মিস্নর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা অমসুং মহাক্না ফম অসি পুনবগীদমক হৌজিক্না লোক ভবন হায়রবা মতম অদুগী রাজ ভবনগী দরবার হোলদা গভর্ণর এ কে ভল্লানা ৱাশক লৌহনখিবগা মরী লৈননা রাইট টু ইনফোর্মেশন এক্ট, ২০০৫গী মখাদা হংখিবা ৱাহংশিংগী মনুংদগী খরনা এক্ট অসিগী সেক্সন ৮(১) (জে) অমদি (ঈ) নচিংবা প্রোভিজনশিংগী মখাদা হায়দোকপা য়াদে হায়রল্লগসু মহাকপু ফম অসিগীদমক এপোইন্টমেন্ট পীখিবা অদুগী মতাংদদি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা সস্পেন্সনদা লৈবনা মরম ওইরদুনা সেক্সন ১৫(৩) গী মখাদা ফুল সিলেক্সন কম্মিটি কন্সটিট্যুট তৌখিদে। অদুবু মেট্টর অদু এদভোকেট জেনরেলগী এদভাইস মতুংইন্না গভর্ণর-ইন-কাউন্সিলদা থমখি হায়না পাউখুম পীরক্লে হায়রি।

ষ্টেট ইনফোর্মেশন কম্মিস্নরগী এপোইন্টমেন্ট পীখিবা য়াওনা ৱাশক লৌখিবা অমসুং ফম অসিগীদমক এপোইন্টমেন্ট পীরবা মীওই অসিগা মরী লৈননা ৱাহংশিং অসি থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল লৈকায়দগী অরিবম ধনঞ্জয়না নবেম্বর ২৪, ২০২৫দা আর টি আই এক্ট, ২০০৫গী মখাদা হংখিবনি হায়রি।

অদুগা মণিপুর লৈঙাক্কী এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস দিপার্টমেন্টগী ষ্টেট পব্লিক ইনফোর্মেশন ওফিসরদা এদ্রেস তৌদুনা হংখিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম্না থা অসিগী ২দা আর টি আই এপ্লিকান্ট মশাদা পীরক্লে হায়রি।

এপ্লিকান্টনা হংখিবা ৱাহংশিংগী মনুংদা ষ্টেট ইনফোর্মেশন কম্মিস্নর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীনবা সিলেক্সন কম্মিটিগী মেম্বরশিং কনা-কনানো হায়বা ৱাহংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## য়ান্নবা পুরক্লি, ওইল পম্পশিং থোঙ হাংখিরোই, ঙসি মখা তানা ৱারী শানখিনি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস):** মমাঙ থাগী ৬তা ওইল পম্প অমদা কিহন-খংহনবা ৱারোল ইবা চেজেৎ অমগা কোন্ননা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থল্লম্বা থৌদোকপু য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লিবা মণিপুর পেট্রোলিয়ম দিল্লরস ফ্রেটর্নিটিনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকহন্দনবা লৈঙাক্ত তকশিল্লিঙৈগী চৈরক্ত থা অসিগী ৮গী নুমিদাংদা মোইরাংদগী কুম্বী তাবা লম্বীগী মোইরাং থনা লৈকায়দা লৈবা এম/এস ইলিদাস ফ্যুএল ষ্টেশনদা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বা থৌদোকপু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা দিমান্দ অহুম তাল্লক্লিবা ফ্রেটর্নিটি অসিগা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## আই দি পিশিং হঞ্জিলহনবগী পাউখুম লৈঙাক্না পীগদবনি হায়দুনা লোক ভবনদা থোমজিল্লকখ্রে

# গভর্ণরনা অইবা পাউখুম পীগনি হায়রক্লে, মণিপুরদা বফর জোন লৈতে হায়না শেংদোরক্লে : খুরাইজম অথৌবা

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহী ২০২৫গী দিসেম্বর থা ফাওবদা লৈঙাক্না আই দি পিশিংবু তাঙ্কক অহুল্লক্ত মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনগনি হায়না পীখিবা থাজবা অদুগী মতুংইন্না থবক্তা ওন্থোক্লবা আই দি পিশিংনা কোকোমিগা লোয়নননা দিসেম্বর থাবুম চূপ্পা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিন্দুনা নুমিৎ খুদিংগী গভর্ণর অমসুং চীফ সেক্রেটরিদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রবসু পাউখুম অমত্তা পীরক্ত্রে হায়দুনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি মশীং য়াল্লবা আই দি পিশিংনা কোকোমিগী থৌমীশিংগা খূৎশম্নদুনা লোক ভবন তম্না থোমজিল্লক্তুনা লৈঙাক্না রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌহল্লক্লিবা আই দি পিশিংবু মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিলহনবগী মতাংদা পাউখুম পীয়ু হায়না তকশিনখ্রে।


কোকোমিনা আই দি পিশিংগা খূৎশম্নদুনা মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ঙসি ভগর্ণরনা পাউখুম পীগদবনি অমসুং তূমিন্না লৈশিনবা য়ারোই ...মখা লমায় ৬ কলম ৩

# সব-ষ্টেন্দর্দ ওইবা চে সপ্লাই তৌবা ফার্ম ব্লেক লিষ্ট তৌগদবনি হায়না দেসামনা বোসেমদা থোমজিনখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা ক্বালিটি লৈবা এদ্যুকেশন পুরক্নবা হোৎনরক্লিবা মহৈরোয় লূপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা দেসামনা মহৈরোয়শিংনা তমগদবা টেক্সবুক নম্বদা সব-ষ্টেন্দর্দ ওইবা চে সপ্লাই তৌবা ফার্মশিং ব্লেক লিষ্ট তৌগদবনি হায়দুনা ঙসি বাবুপড়াদা লৈবা বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশন, মণিপুর (বোসেম) দা থোমজিনখ্রে।

মহৈরোয়শিংদা ক্বালিটি লৈবা চেনা নম্বা লাইরিক ফংহল্লু হায়বগী খোল্লাও লাউরদুনা ঙসি চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা বোসেমনা ক্বালিটি য়াওদবা অমদি ৱাটর মার্ক য়াওদবা সব-ষ্টেন্দর্দ ওইবা চেদা লাইরিক নম্বা য়ারোই। অনৌবা সেশন নংনবা টেক্সবুক ফংহনগদবনি হায়বা দিমান্দসু তৌখি।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তারকপদা দেসামগী প্রসিদেন্টনা লুচিংদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ওইল পম্পদা বোম পোকখায়হনবদা চেন্নবা য়ু জি অমা ফারে : পুলিস

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোরকপা চেরোল অমদা থা অসিগী ৮গী নুমিদাংদা মোইরাং পি এসনা কোনবা কুম্বী তাবা লম্বীগী মোইরাং থনা লৈকায়দা লৈবা এম/এস ইলিদাস ফ্যুএল ষ্টেশনদা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হনবদা চেন্নবনি হায়বা কাদর অমা ফারে হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না ফারবা কাদর অদুগী মমিং হিজম মনিচন্দ্র (৩৫) ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## উৎলৌ রিলিফ কেম্পকী কা ২ মৈ চাকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :** নম্বোল পি এসনা কোল্লিবা উৎলৌদা লৈবা শাজোল লৌকোল প্রি-ফেব্রিকেটেদ হাউসকী কা অনী খঙহৌদনা হৌরকপা মৈনা চাকপদগী কা অসিদা চঙজফম লৌরিবা আই দি পিশিংগী ফমুং য়াওনা ফিরোলশিং অমসুং অতৈ পোৎলম খরা মৈনা চাকখ্রে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# ইশাগী ওইবা ৱাখল্লোন থাদোক্লগা মীয়ামগী খল্লবা মতমদা ঈং-তপ্পা পুরক্কনি : এন লোকেন

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নম্বোল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী এম এল এ ওইনা টর্ম খরা কারক্তুনা লৈঙাক্কী মিনিষ্টর খক্তা নত্তনা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট ফাওবা ওইরমখিবা নামৈরাকপম লোকেননা ঐগী ওইবা ৱাখল্লোন থাদোক্লগা মীয়ামগীনি হায়বা ৱাখল খল্লবা মতমদা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।




ৱাফম অসি এ আই সী সীগী পাউতাক মতুংইন্না লৈবাক শিনবা থুংনা এমজিনরেগা কনগদবনি অমসুং কন্সটিট্যুশন কনগদবনি হায়বা দিমান্দশিংগী 'মনিরেগা বচাও সংগ্রম' গী খোঙজং পাঙথোকপদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

নম্বোল ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী ওফিসতা ঙসি নোংমগী ওইনা চরা হেন্দুনা চঙশিনখিবা খোঙজং অসিদা মহাক্না মখা তানা হায়, ইশাগী কান্নবা ফংদ্রি হায়দুনা লৈরগদি লৈবাক অসি কৈদৌনুংদা তংদু লৈতাবা ওইরক্লোই। নম্বোল অমদি বিষ্ণুপুরনচিংবদগী কাখ্রিবা এম এল এ কয়ানা ঙসি ফাওবদা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যুদা থোরক্তুনা করি-করম্বা থৌদাংদা শরুক য়াখ্রবগে হায়না হংখি। মরম অসিনা মথং চহী ২০২৭তা পাঙথোকফম থোক্লিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১৩শুবা মীখল অসিদা বি জে পিনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# মফম ৫গী এরিয়াদা পুং ৪৮ চূপ্পা চথুগদবা কোম্বিং ওপরেশন হৌখ্রে



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :** ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংগা খূৎশম্নদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কৈরক, হিয়াংলম, ৱাবগাই, সেকমাইজিন অমদি ফৌগাকচাওগী এরিয়াদা পুং ৪৮ চূপ্পা চথুগদবা অচৌবা কম্বাইন্দ কোম্বিং ওপরেশন অমা ঙসিদগী হৌখ্রে।

ওপরেশন অসিদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, অসাম রাইফলসকী ৩৩ অমসুং ৪৬শুবা বট্টালিয়নগী পর্সনেলশিং, ইন্দিয়ন আর্মিগী স্পেশল পারা কম্মান্দোশিংনা শরুক য়ারি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## লৈখিদ্রবী চাউবগী হকচাং লৌগনি হায়দুনা নুপা ময়ূমগী মীওইশিংগা উংখৎনখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস):** মমাঙ থাগী ২৭তা ৱাঙ্গোই পি এসকী মনুং চনবা থিয়াম লৈশাংখোংদা হাত্তোক্লগা থম্বীরম্বদগী শিনা ফংখিবী চনম্বম নিঙোল খাইদেম ওংবী চাউবা (২৬) গী হকচাং ঙসি রিমসকী মীরেলশঙদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌখ্রে।

অদুম ওইনমক মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবগীদমক মহাক্কী হকচাং অদু মহাক্কী মপামগী মীওইশিংনা মখোয়না লৌগনি হায়রকপগা লোয়নননা মহাক্কী মপুরোইবগী ইমুংনসু মখোয়না লৌফম থোকই হায়রকপদগী নাকল অনীগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# হায়ৱেদা এঙ্খাং-নাপি অমদি উহৈ-ৱাহৈশিং পুশিল্লকপদা ইল্লিগেল টেক্সশিং লৌরিবসি লৈঙাক্না থিংবীয়ু : রঞ্জিতা

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস):** মণিপুর মীয়ামগীদমক ষ্টেট অসিগী ৱাংমদগী নেশনল হায়ৱেশিং ফাওদুনা এঙ্খাং-নাপি অমদি উহৈ-ৱাহৈনচিংবা পুশিল্লকপদা হায়ৱেশিংদা লমখাংদা থৎলগা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা টেক্সশিং লৌরিবা অসিনা পুবা থাংবা ঙমদবগী অৱাবা মায়োক্নহল্লে হায়রদুনা মণিপুর লৈঙাক্না হীরম অসিগী মতাংদা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা ইল্লিগেল টেক্সশিং লৌহনবীগনু হায়না নৌনা শেমখিবা নোর্থ ইষ্ট ভেজিটেবল ফার্মরস, ৱার্করস এন্দ ট্রেদর্স ৱেলফেয়র য়ুনিয়ন, মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল ওইনাম রঞ্জিতানা ফোঙদোকখ্রে।





ৱাফম অসি ঙসি ৱাঙ্খৈ কৈথেল অশাংবীদা লৈবা নহারোল শিন্থা কাঙলূপকী পান্থোইবী হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না ফোঙদোক্লন্দুনা মখা তানা হায়, য়ুনিয়ন অসি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা মনা-মশিং থারিবা, থবক শুরিবা অমদি লল্লোন ইতিক তৌরিবা মীওইশিংগী অপূনবা লূপ অমনি। লূপ অসি মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ৬তা ইম্ফালগী ৱাহেংবম লৈকায়দা লিংখৎখিবনি। ইন্দিয়ন ...মখা লমায় ৬ কলম ৩

## য়ু জি অমা ফারে, লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্টতগী খূৎশু খূৎলায়শিং ফংলে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১২ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা লম্ফেল গ্রেশ কোলোনিদগী হুইনিংশুংবম জোর্জ বুশ এলিয়জ নিংথেম (১৯) কৌবা প্রিপাক-প্রোগী কাদর অমা থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়দগী মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা লমশাং পি এসকী মনুং চনবা লমদেং ৱাটর সপ্লাই স্কিম তাবা লম্বী মনাক্তা লৈবা লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্টকী চীংদগী মেগজিন ২গা কোন্ননা এস এল আর অমা, সিঙ্গল বেরেল ...মখা লমায় ৩ কলম ৪




HL-B/11120/13